# মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবগী মরাইবক -৫

## (মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়নগী মীৎয়েং)

– গোপীমোহোন থোকচোম –
নেশনল এৱার্দি, ১৯৮৬ (স্মোল স্কেল ওন্ত্রপ্রেন্যুওরস)
ত্রেজরর মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন

জন্যুৱারী ৫, ২০১৫দা ফোঙবা হিন্দুষ্টান টাইমসনদি মণিপুরনা লায়রবগী চাং অসি চাদা ৪৩.০৬তা লৈরে, মসি বিহারগী চাদা ৪১.৪০ অদুগা থংননা লেপ্লিবনি। মসিনা মরম ওইবা তাই, ঐখোয়না ঙাঙনরিবা ইলেক্সন অমা হেক লাকপদা মীরেপশিংদগী শেলগী মতেং লৌরিবসি, শেল পায়রম্লবদি লৌরমদবসু য়াব্রা নীংই। চাওরাক্লা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং লাখ ১০ রোমদি মসিনা কোল্লস্বা য়াই। অমুক্কসু ইন্দিয়াগী ওইনা পূন্না য়েংলগসু মকোক্তগী য়েংবা নত্তবদা মনীংলোমদগী থিরকপদা ৫শুবা লায়রবগী ফিদা মনুংদা লেপ্লরে। মখোয়বু অথুবদা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবদু খল্লুবদা অকিবা ফাওই। অমরোমদা ঐখোয়গী অঙাং পোকপগী চাংসু ইমুং অমদা অঙাং ১/২গী মনুংদা লৈবনা ওল ইন্দিয়া লেভেল ২ মথক লৈবদুগী থাক মখাদা লেভেল ১.৭৭ রোমদমক ওইরি। মরম অসিনা মণিপুরগী অতাঙবা লন ওইরিবা সঙাইবু মশীং লিক্লা লৈরবা শা মখল ওইরে হায়না লাউথোক্তুনা মখোয়বু কনবগী শরুক অমা ওইনা সঙাই ফেষ্টিবেল হায়না চহী খুদিংগী নবেম্বর ২১দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্তুনা অমদি তোঙানবা লৈফম, পার্কনচিংবা শেমদুনা য়োকখৎপগুম মীতৈ/মৈতৈবু মাঙশিল্লক্লবা ফূরুপলা হায়না মীৎয়েং থম্বদা থোইনা কায়দ্রবরা খল্লকই।

অসুম্না লৈঙাক্না ইস্যু অসি ৱারগা তন্দুনা অদুম তোকচখ্রগনি খন্দুনা দিলেয়িং টেক্টিস তৌবা মান্না উরকই। মণিপুর লৈঙাক্না কৈসু থৌশাবীদবদগী মণিপুরদা পায়খৎলিবা নেশনল প্রোজেক্টশিং থিংজিন্নবা লেপ্লখি। অহানবগী ওইনা নেশনল প্রোজেক্টকী মনুং চল্লিবা মোইরাংখোমদা লৈবা রেলৱে ওফিস অদু সেপ্টেম্বর ৬, ২০১৯দা ছো লোনশিনখি। মদুদা মীওই ১৮ ফাজিল্লুই, মখোয়শিং অদুদি সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি (এস টি দি সী এম) গী চীফ জয়েন্ত কুমার, ভাইস প্রসিদেন্ট সাপম ভৈগো, থোকচোম গোপীমোহোন, সেক্রেটরি কৈথেল্লাকপম ভোগেন্দ্রজিৎ, ৱাইখোম অনন্দ, এন সঙ্গোই, টি মনিহার, এ কে বিরজিৎ, পি লাকপা, এম এস এল রামেশোরি, এম এস পি ঐচ অশালাতা, এম এস য়ূম্নাম কুঞ্জে য়াওখিবনি।

হীরম অসিদা মতম কুইনা অৱা-অনা খাঙবীদুনা লাকখিবা লৈখিদ্রবা ব্রহ্মচারিময়ূম অঙৌসনা শর্ম্মা, ভাইস প্রসিদেন্ট, হৌখিবা কুমজা ২০২০গী মার্চ ২১দা লৈখিদ্রে। মথংদা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি, মণিপুর (এস টি দি সী এম) গী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট কম চীফ পেত্রোন ওইবিরম্বা প্রোফেসর য়ূম্নাম মোহেন্দ্রোসু মশাগী অনাবা অমদগী হৌখিবা কুমজা ২০২১গী জুলাই ৮দা লৈখিদ্রে। মমল য়াম্লবা মীওই অনীমক লৈখিদবদা অচৌবা মেনশিনবা ৱারবা অহাঙবা মতাং অমসু থেংনখ্রবনি।

**এস টি দিদা চল্লগা করি কান্নবা ফংগদগে?** মীতৈ/মৈতৈনা এস টিগী লিষ্টতা চল্লগদি তম্পাক্কী লম চাদা ৮গী ১০ অসি রিজার্ভ লম ওইরগনি, মদুনা লম মখৈদু প্রোটেক্ট তৌরগনি।

**লাইরিক লাইশু তম্বগী মতাংদদি :** শোত্থরবা কাঙলূপ অমগী থাক ৱাংখৎনবগীদমক মহৈ মশিং ফজনা তম্বা ফংহনবা অমদি থবক শুফম ফংহন্দুনা মখোয়গী শেন্থোক হেনগৎহন্দুনা চাং মান্নবা ফীভম য়ৌবা ঙম্নবগীদমক হীরম অসিদা হেন্না খুদোংচাবা থম্বীরি। মেনলেন্দ (ইন্দিয়া) গী খ্বাইদগী ফরবা মহৈ তম্ফমশিংদা মৈতৈ মচাশিং লাইরিক তম্বা ফংলগনি। স্কোলরশিপ চাউনা ফংগনি।

মহৈ তম্বগী মতাংদা জৱাহরলাল নভোদয়া বিদ্যালয় (জে এন ভি) মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদা লৈ। স্কুলসিদা মীং চনবা হেক ফংখিবগা থাগী ট্যুশন ফী, হোষ্টেল ফী করিমত্তা পীরোই, স্কুল য়ুনিফোর্মসু লেম্না ফংগনি। ফমুংদা তূম্বগী আইটেম হায়বদি মোম্পাক, মোন, কাঞ্জল, ফৈজপ, মোম্পাক ফিদক, টোইলেট আইটেম হায়বদি সাপোন, টুঠব্রজ, টুঠপেষ্ট পূম্নমক থা খুদিংগী লেম্না পীরিবনি। লৈরিবা মহৈরোয়দুনা স্কুলদা লৈবদা নৎত্রগা য়ূমদা হনবদা শীজিন্নবা ফিরোল, বকেট, চানবা পুখম-তেঙ্কোৎ, গ্লাসখক্তমক পুরক্কদবনি। অসুম্না জে এন ভিগা মান্নবা মওংদা এস টি মহৈরোয়শিংগী ওইবা আশ্রম স্কুলশিং, এক্লব্য মোদেল রেসিদেন্সিএল স্কুল ***(ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী চীংমী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মশীং ২১ লৈরে। মদুদি সিট ৫০০/৫০০ লৈগদবনি। স্কুল অমমমদু শানবগীদমক্তা লুপা ক্রোর ৫০০ হেন্না চঙনা ফজনা শাবা ঙাক্তনি। মণিপুরগী অপূনবা থুংফম থোকপা স্কুল মশীংদু ৪০ ফাওবা শুহনবা য়াবনি)*** অমসুং নুপীমচাশিংগীতা ওইবা কষ্টুরভা গান্ধী রেসিদেন্সিএল স্কুলসু লৈরিবনি। অদুবু লাইবক থীবদি স্কুলশিং অসি ফজনা য়েংশিনবীদবনা মপূং ফানা মহয় চাবদি ঙমদ্রি। মীতৈ/মৈতৈনা এস টিগী মনুংদা লৈরক্লগদি অসিগুম্বা অৱাৎ-অপা কয়াসি ঐখোয় ময়াম পূন্না য়েংশিনমিন্নদুনা য়ং-য়ং লাউনা শেল চঙদবা মহৈ তম্ফম শঙ ওইদুনা য়াম্না ফবা ফীভম অমা শেমগৎপা য়াগনি।

এস টি মহৈরোয় অমনা লৈঙাক্কী নৎত্রগা প্রাইভেট স্কুল অমদা তম্বদা মহৈরোয় খুদিংগী চহীগী বুক গ্রান্ট, থাগী ফী হুনবদা মতেং ওইগদবা ষ্টাইপেন্দ/স্কোলরশিপ মীং চনবদা হন্থবা মার্কনা য়াবা, চহী খরা লিরবসু চহী খরা কোমথোকপগী খুদোংচাবা ফংবা য়াবা, মীংজল ফোমগী মমলসু হন্থবা য়াবা লৈরি। মরম অসিনা দ্রোপ আউট ষ্টুদেন্ট মশীংসু য়াম্না হন্থহনবা ঙমগনি। ক্লাস টেনদগী ত্বেলভ ফাওবগী এস টি মহৈরোয় অমনা পেকেজ গ্রান্ট ওইনা চহীগী ফংবা লুপা ১৫,০০০ দিগ্রী অমসুং পোষ্ট গ্রেজুএট তম্বা এস টিগী মহৈরোয় অমনা মাগী ইমুংগী চহীগী ইনকম লুপা ২,০০,০০০গী মখাদা লৈরবদি ইন্দিয়াদা লৈবা ইন্সটিট্যুট ১২৭ (গভর্ণমেন্ট/প্রাইভেটকী ওইবা) সিট ৫/৫ খাকপদুদা অপূনবা মশীং ৬৩৫ চহীগী স্কোলরশিপ থল্লি। অসিগী মথক্তা মেনেজমেন্ট মেদিকেল লাইন, ইঞ্জিনিয়রিং, লো অমদি কম্মর্সিএল কোর্স তম্বদা লুপা ২,০০,০০০ চহীদা ফংবা য়াওরি।

পী ঐচ দি চহী ৫ তম্বগী ফেলোসিপ জুনিয়র কাঙবুগীনা হায়বদি অহানবা অমসুং অনীশুবা চহীগী লুপা ৮,০০০ অমসুং অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা চহীগী লুপা ৯,০০০ ফাওবগী মথক্তা কন্টিঞ্জেন্সি ওইনা হ্যুমেনিটজ অমদি সোশল সাইন্সেস কাঙবুগীনা চহীদা লুপা ১০,০০০ (অহানবা অমসুং অনীশুবা চহীগী) চহীদা লুপা ২০,৫০০ (অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা চহীগী) সাইন্স লৌবা কাঙবুগীনা চহীদা লুপা ১২,০০০ (অহানবা অমসুং অনীশুবা চহীগী) চহীদা লুপা ২৫,০০০ (অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা চহীগী) ফংবা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিশন (য়ু জি সী) গী রেটতা ফংবা য়াবসু লৈরি।

মসিগীসু মথক্তা রজিব গান্ধী নেশনল ফেলোসিপ (আর জি এন এফ) কী মখাদা চহী খুদিংগী য়ু জি সীনা মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফ্যেরসনা মতেং ওইবা মীওই ৬৬৭তা চহী খুদিংগী পীরি।

এস টিগী মহৈরোয় অমনা কম্মর্সিএল পাইলোটকী লাইসেন্স ফংনবা ত্রেনিং তৌবা মতমদা চহীদা লুপা ৩.৭২ লাখ ফংবা য়াবদুগী মথক্তা লিভিং এক্সপেন্স ওইনবা থাগী লুপা ২,২০০ অমনে, লাইরিক লাইশু অমসুং ষ্টেস্নরিগী ওইনা চহীদা লুপা ৩,০০০ অমদি খ্বাইদগী লেটেষ্ট ওইবা কম্প্যুটর সিষ্টম অমদি এসেসরিজ লৈনবা লুপা ৪৫,০০০ ফংবসু য়াওরি।

নেশনল ওভর্সিস স্কোলরশিপকীদমক এস টিগী মহৈরোয় অমনা ইন্দিয়াগী মপান্দা পি জি কোর্স তম্বা, পি ঐচ অমদি পোষ্ট দোক্টরেট রিসর্চ প্রোগ্রামগী হীরমদা তম্নবগী ট্যুশন ফি, এদ্যুকেশন ফি (ফোরেন হঙ্গৎ হন্দা চখোক চৎশিনগী অচৎমল) য়াওবা এৱার্দ চহী খুদিংগী সিট ১৫ লৈরি)

এস টি মহৈরোয় অমনা য়ু পি এস সীনা লৌবা সিভিল সর্ভিস/ষ্টেটকী সিভিল সর্ভিস/সী দি এস/এন দি এ/মেদিকেল/ /ইঞ্জিনিয়রিং/বিজিনেশ মেনেজমেন্ট/রেলৱে রিক্রুইটমেন্ট বোর্দ/ইন্সুরেন্স কম্পনি ময়ামসি থাবগী ফী কোচিংগী মথক্তা থাগী ষ্টাইপেন্দ লুপা ১,০০০ অমসুং লৈফম চাফমগী থা খুদিংগী লুপা ২,০০০গী খুদোংচাবসু লৈ। পূম্নমক অসিগী মথক্তা এস টিগী মীওই অমনা লৈঙাক্কী থৌমী ওইদুনা মশাগী ষ্টেট অদুদা পোষ্টিং তাদুনা লৈরবদি ইনকম টেক্স থিরোই। অসুম্না কন্ত্রেক্টর/সপ্লাইয়রগী শিনফমদা লৈবা এস টিগী মীওই অমগী বিলদগী ইনকম টেক্সকী টেক্স দিদক্টেদ এট সোর্স (টি দি এস) কক্তনা চ্যেক ফংবা য়াগনি। মীতৈ/মৈতৈগী মরাইবক্তা হৌখিবা চহী ৭৫ হেন্না খুদোংচাবা ময়াম অসি লৌবা হৈতনা খঙবী উবীদনা খুদোংচাবা কয়া মাঙজদুনা লাকখ্রবা লাইবক থীবা ফূরুপ অমা ওইদুনা লৈরক্লিবনি। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ২৬

– হৈস্নাম শ্যাম মঙাং –

অনী থোক্লা খঙলুবগী অমদি হৈরুবগী মীতৈ/মৈতৈবু অনী থোকপী হায়না লান্না পাউথোকপীবনি। অনীনা পুল্লগা মপুং (মপুম) অমা শাবনি। অনীনা পল্লগা মাইপং (মপুম) অমা পুথোক্লগা পীবা অদুবুনি অনী থোকপী হায়না কৌনগদৌরিবসি। অনীদগী অমা খাইদোকখিবা অদুনা মপুমদগী মচেৎ তাবা হায়রিবা অদুনি। ‘পা’ অমদি ‘পি’ অনীনা ‘পুনশিন-লৈপুন’ (পুন্সি-লৈপুন) শেম্নবনি, মখোয় অনীগী তোঙান তোঙানবা মথৌশিং লৈনবনি, অমখক্লা শেম্বা য়াদে। কোকনুংদা লৈ অনী লৈবনি, অমনা তাইবঙগী মিৎনা উঙমদবনি, অমনা উঙম্বনি। থংওইনুংগী ঈনা কাংলিবা অদুগা পান্না নাইনা হায়রিবা লৈ অনী অদুনা তাইবঙগী থংৱাই মরুম (মাইলুম) ওইবা খোন মলুম হায়বনি। খোনগী মখোল (ৱামনলোন অমদি মিংখনলোন) ওইববু পুথোক-পুশিন তৌরিবনি। মিৎ অনী পান্নবনি, অমনা নুমিৎনি, অতোপ্পা অমনা থানি, মিৎ অমখক্তনা মপূং ফানা উবা ঙমদে, অমগা অমগা থান্নরগা অউবা হায়বদু ওইগদবনি। নাকল অমখক উরগা খঙলগা মপূং ফানা উরবনি খঙলবনি হায়বা য়ারোই। নাকল অনীমক উর-খঙলবা মতুং করম্বা নাকলনা ঈলৈপাক অসিবু ঙালহনগদবনো হায়বা খঙনা অমদি উনা হিংউ হায়বনি। নাকোং অনী পানবনি, মখোয় অনীগী মখুন অনীনি। মখোয়গী মথৌসি তাথোক-তাশিন তৌবনি।

মখুন অমদা ফাওজিল্লগা হায়বদি চঙলক্লগা কোকনুংদা তারিবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন (তা) ওইবশিংবু খন্দোক-খঞ্জিন তৌরগা কান্নদবশিং পুথোকখিবা (থোক) অদুবুনি ‘তাথোক’ হায়না কৌনগদৌরিবসি। অতোপ্পা মখুন অমদা ফাওজিল্লগা কোকনুংদা তাশিল্লক্লিবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিং অদুনা কোকনুং মশামক অদুদা শিন-লাংদুনা লেংদনা লৈরকপা অদুবুনা ‘তাশিন’ হায়রিবা অসিনি। নাকল অনীমক্লা হায়রিবশিং অদু তাগদবনি হায়বনি অদুগা অচুম্বা অশেংবা খঙগদবন হায়বনি।

নাতোন মখুন অনী পানবনি। নিংশা-কাংলোন্দা অমনা নিংশা চিংশিনবনি। অতোপ্পা অমনা নিংশা হোন্দোকখিবনি। খূৎ অনী পানবনি। খূৎকী খূবাক অনী খুরগা (খুমলগা) মখোন থোকপনি। ওইগী খূৎনা অমাং-অশোই, অমোৎ-অকাইনচিংবা হুন্দোক-শেংদোক্লবনি। য়েৎকী খূৎনা চাবা-থকপা, শুবা নোম্বনচিংবদা মপা চুম্বদা শীজিন্নবনি। চৎননবা খোঙ অনীনি। অনী অদুনা খোঙথাং অমা শাবনি। থাঙলোন্দা মখোয় অনীনা লমলেম (লমলেং) তাকপনি। তাইপক হনচাং (তাইবঙ-হকচাং) অসিমক ওন্ন-তৈননা মান্নবা তঞ্খাই অনীগী অপূনবনি। মীতৈ-মৈতৈ অনীগী লোলসু অনী থোকই। অমনা হৌলাকলোল (হৌরকলোল) হায়না কৌনবনি। অতোপ্পা অমনা য়েলহৌলোল হায়না খঙনগনি।

ঙসিগী মীরোল অসিদা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা হায়বদি খন্নরিবা অমদি ঙাঙন-শক্লরিবা অসিদি হায়রিবা হৌলাকলোল অমদি য়েনহৌলোল অনীদগী থৈথখিবনি হায়বদি হায়রিবা লোল অনী অদুগা খ্বাইদগী হেন্না নকশিন্নবা লোলনি, ‘খঙনলোল’ হায়না কৌনীংই। ময়াম্না ফাওনলোল হায়নরিবা অসিনি। হায়রিবা ‘হৌলাকলোল’ অমদি ‘য়েনহৌলোল’ অনী অসিনা ঈলৈপাক অসিদা হিংদুনা অমদি মাঙদনা লৈরিঙৈ মতম অদুদদি ঈলৈপাক অসি মঙান নাইবা ঈলৈপাক অমা ওইরমখিবনি হায়জনীংই।

মরম অদুনা হায়রিবা লোল অনী অসি হিংগৎহনবা অমদি মাঙখ্রবা অদু ফংননবা থিরগা নৌনা পুথোকপা অমা হায়বদি দিস্কোভরি অমা চংগনি হায়না খল্লি। (লোল অমদি ময়েক্লা হায়বা ৱারেং অদুদা ফোঙদোকচরক্কে)। অসিগুম্বা অনী থোকপী (আনিং থোকপী) অসিনা মরম ওইদুনা মপূং ফাবা হায়বদু থোক্লরিবনি অমদি ওইনরিবনি।

তাইপক (তাইবঙ) হনচাংগী ‘আ’ য়ৌনা ৱাংবা তৌইগুম্বসুং কোকনুংগীদি কাংচিন ওইবা মফমদুদা (আ) নপ্তুনা পাল্লিবা খোনলৈ হায়রিবা লৈ মখল অদুনা থংওইনুংগী ঈনা কাংলক্লিবদুগা থান্নবগা লোয়ননা নীংলক্লিবা খোনগী মাইলোন ওইবশিংবু (নিং) পুথোক্লকপা নাইনা (থোক) তাইলৈদা পীরকপা (পি) অদুবুনি ‘আনিং থোকপী’ হায়না কৌনগদৌরিবসি।

কোকনুংদা খন্দোক-খঞ্জিন নাইনা নিংলিবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন অদুগী অচুম-অরান, অমাং-অশেংনচিংবা অদু থংওই (থম্মোয়) মাগা খন্নরবা অমদি থান্নরবা মতুং পুথোক্লকপা অরেপ্পা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিংবু তাইবঙগী মিৎনা উঙম্বা তাইলৈদা পীরকপা অমদি তারকপা অদুগী মতুংইন্না পাঙথোক্লকপা থবক থৌরম, শিনলম শিন্থানচিংবা অদুদি অফবা মহয় ফংগনি হায়বসি ‘আনিং থোকপী’ গী ৱাহন্থোক্লা ফোঙদোকই।

য়ুংপানলোল (য়ুম্বানলোল) ওইবদা হায়জবা তারগনা - মথক্তা পঞ্জখিবা ‘পিপা’, ‘লৈনিংথৌ’ নচিংবা অদুগী মহুৎ শিন্না খঙহল্লিবা য়ুংপুলেংপা (য়ূম্বুরেম্বা) অমমম অদুনা থংওই (থম্মোয়) মাবু মহুৎ শিন্না খঙহল্লিবা শেংনা লৈজবী নুপী (তালোই) মাগা থান্নরগা অমদি খন্নরগা পুথোক্লকপা অচুম্বা অমদি অশেংবা ৱাখল্লোন ওইবশিংনা তাইলৈ হায়না খঙনবা তাইবঙগী মিৎনা উঙম্বা লৈবু মহুৎ শিন্না খঙনহল্লিবা য়ূম অমমমগী মচা-মশু, শুথাংনচিংবদা মথং-মথং পীরক্তুনা খঙহল্লকপা মতুংইন্না পাঙথোকমিন্নরকপা থবক-থৌরম, শিল্লম-শিন্থানচিংবশিং অদুদি অফবা মহয় লই। হায়রিবসি য়ূমদুগী য়ূম্বুরেম্বা (য়ুংপুলেংপা) অদুনা অচুম্বা ৱাখল খনবা ঙমদ্রবা নৎত্রগা মাগী তালোই অদুনা অশেংবা থংওই (থম্মোয়) পান্দ্রবা অদু ওইরবদি হায়রিবা অফবা মহয় অদুদি ফংদে।

লৈঙাক্লোনগী মতাংদা হায়জবা তারগনা - লৈনিংথৌগী মহুৎ শিন্না খঙহল্লিবা লৈঙাক মপু অদুনা থংওই (থম্মোয়) মাবু মহুৎ শিন্না খঙহল্লিবা লৈবাক্কী মায়চৌ-মায়নৌ, অঙম-অথৌনচিংবশিং (হৌজিক্কী মতমদনা মিনিষ্টরনচিংবশিং) অদুগা তান্নরগা অমদি খন্নরগা পুথোক্লকপা অচুম্বা অমদি অশেংবা লৈঙাক্লোন ওইবশিংনা তাইলৈ হায়না খঙনবা তাইবঙগী মিৎনা উঙম্বা লৈবু মহুৎ শিন্না খঙহল্লিবা লৈবাক মীয়ামদা পীরক্তুনা খঙহল্লকপা মতুংইন্না পাঙথোকমিন্নরকপা লৈঙাক-থৌদা ওইবশিং অদুদি অফবা মহয় ফংই। হায়রিবসি লৈবাক অদুগী লৈঙাক মপু অদুনা অচুম্বা ৱাখল খনবা ঙমদ্রবা নৎত্রগা অঙম-অথৌ ওইবশিং অদুনা অশেংবা থংওই (থম্মোয়) চেন্দ্রবা অদু ওইরবদি অফবা মহয় ফংদে। ●

# খুমাঙ চাওশিল্লক্লিবা কো-ওপরেটিভ অমসুং আই এফ এফ সী ও চাওখৎলকপগী ৱারী - ২

– রাকেশ–

শেনবা চহী ২০২৪-২৫দা আই এফ এফ সী ওনা পূন্না লুপা ক্রোর ৪১,২৪৪ তানখি অমদি প্রি-টেক্স প্রোফিট ওইনা লুপা ক্রোর ৩,৮১১ তান্দুনা থংন-থংননা চহী অহুমদা শেন্দোং লুপা ক্রোর ৩,০০০ তানখি। চহী অমদগী চহী অমদা চাদা ১৬ হেনগৎতুনা অপূনবা শেন্দোং ওইনা লুপা ক্রোর ২,৮২৩ ওইখি। ওইরিবা ফীভম অসি তহা তহা হেক্তা ওইখিবা নত্তবা, তুং কোইনা চৎকদবা পোরম য়াৎথোক্তুনালেপ্পা লৈতনা হোৎনবা অমদি শেল থুম শীজিন্নবদা হৈশিংবগী মমি তাই। পোত্থোক পুথোকপা অমদি থাদোকপগী মেত্রিক্সনসু ফীভম অসিবু হেন্না ময়েক শেংহল্লি। শেনবা চহী ২০২৪-২৫দা আই এফ এফ সী ওনা হার অমদি মরী লৈনবা পোত্থোকশিং পুথোকপা ঙম্বা য়ুনিটকী ৱাংমদা মেত্রিক টন লাখ ৯৩.১০ পুথোক্তুনা অপূনবা য়োনবগী চাং মেত্রিক টন লাখ ১১৩.৭৮ য়ৌখি। হার মতম চানা ফংহনবনা মহৈ-মরোংগী থৌরাং তৌবা অমদি ফার্মদগী লাকপা শেন্থোক্তা হকথেংননা কান্নবা পীবা লৈবাক্তদি অসিগুম্বা মশীং অসি লুম্না লৌই।

সংহানীগী লীচিং মখাদা খ্বাইদগী হেন্না শীংথানীংঙাই ওইবা অহোংবদি আই এফ এফ সী ওনা হেন্না মীৎয়েং চঙলিবা টেক্নোলোজি মরু ওইনা নানো ফর্টিলাইজর অসিনি। ইন্দিয়াদা মমাঙঙৈদগী চৎনরক্লবা হার শীজিন্নবগী মওংদা অশোয়বা, হেন্না হাপচিনবা অমদি অকোয়বগী ফীভমদা শোকহনবনচিংবা থোকহন্দুনা লাক্লি। নানো ফর্টিলাইজরনা অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং থেংননবগীদমক মচি ওইবা শরুক কাঙলোন চুম্না অমদি অপীকপা চাংদা শীজিন্নবদা পান্দম থল্লি। শেনবা চহী ২০২৪-২৫দা নানো ফর্টিলাইজর য়োনবগী চাং অসি বোট্টল লাখ ৩৬৫.৯০ য়ৌদুনা মমাঙ চহীদগী খংহেন হেনগৎখি। য়োনবগী চাং অসি নানো য়ুরিয়া প্লস (মহী) না চাদা ৩১ হেনগৎপা মতমদা নানো দি এ পি (মহি) না চাদা ১১৮দা চোংখৎলকপা উই। চাংচৎ অসিনা ঙাক্লৌ ওইরিবা পোলিসিখক নত্তনা কো-ওপরেটিভ নেটৱর্ককী খূত্থাংদা ফংবা ফিল্ড লেভেল ভেলিদেশনন্না লৌমীশিংগী য়ানীংবা হেনগৎলক্কে হায়বা উৎলি। আই এফ এফ সী ওগী মোদেল নানো খুঙ্গং অমসুং ক্লষ্টর প্রোজেক্টনা খোঙজং অসিবু অমুক্কসু মশক তাক্লি। ক্লষ্টর ২০০ অমদি লৌমী ৯০,০০০ রোম্বু কোনশিনবা রিপোর্টকী মতুংইন্না ২৯% য়ৌনীংচিৎ কেমিকেল হার শীজিন্নবা হন্থরে অমসুং পাইলোট এরিয়াদা ৫% হেন্না ফীভম শাফরে। শন্নপ্না, আই এফ এফ সী ও অসি চৎলিবা মতম অসিদা লৌমীশিংবু কো-ওপরেটিভকী চৎনবী, অনৌবা ৱাখল্লোন অমসুং লেপ্পা লৈতনা শক্তি পীদুনা ইন্দিয়াগী লৌউ-শিংউগী তুংগী লম্বী য়াৎলিবা কো-ওপরেটিভ সংস্থানগী ফিদম্নফম অমা ওইরে।

লৌমীশিংনা মপু ওইজবা অমদি লৌমীশিংগীদমক চলাইজবা ওর্গনাইজেশন অমা ওইনা কুমজা ১৯৬৭তা লিংখৎখিবা আই এফ এফ সী ও অসি কৈথেলগী অরেপ্পা লৈতবা মমল অমদি অচৌবা ফার্মশিংনা কৈথেলবু মখোয়গী খুদুমদা থম্বদগী লৌমীশিংবু ঙাকপী শেনবীদুনা মখোয়না লৈবা ঙম্বা মমলদা অমদি মতম চানা অফবা মখলগী হার ফংহন্নবগীদমক শেমখিবনি। মেম্বর ৩৫,০০০ কো-ওপরেটিভ সোসাইটিশিংগী খূত্থাংদা লৌমী ক্রোর মঙা হেন্না কান্নবা ফংহল্লি। ●

# মণিপুরদা লাংথৈ্র পান্বী মখল তরেৎ - ১

– নামৈরাকপম রিকেশ মঙাং–

ইন্দো-বর্ম্মা বাইওদাইভর্সিটি হোটস্পোটকী মনুং চন্না লৈবা লম অমনি ঐখোয়গী ষ্টেট মণিপুর। হায়রিবা লম অসিদা মশীং থিঙমদ্রবা পান্বী কয়াগী হৌফম-শাৎফম ওইদুনা মণিপুর ইমাবু অশঙবা ফিজেৎনা লৈতেংবীরি।

লমদম অসিদা খুন্দারিবা মরু ওইনা মীতৈ ফূরুপ্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী শীজিন্নরকপা পান্বীশিংগী মনুংদা ঙসিগী মীরোলনা লাংথৈ্র হায়না খঙনরিবা পান্বী অসিসু অমনি। ইচম-চম্বা মীওই অমদা লাংথৈ্র পান্বীবু মশক তাকপীয়ু হায়রুবদা মখোয়না হায়রক্কদৌরিবা/তাক্লক্কদৌরিবা লাংথৈ্র পান্বী অসিদি চুম্নগী ঐখোয়না খঙনরিবা মীতৈগী লাই হরাওবদা শীজিন্নরিবা সাইন্টিফিক নেমনা *Eupatorium birmanicum* DC., Family : Asteraceae অসিনি। অদুবু কুনুংগী ৱারী খঙবা, হীদাক্কী মরমদা ইরিবা হিদাকলোন পুয়া, লৈরাংশিংগী মরমদা ইরিবা লৈরোল পুয়া, পান্বী-শিংবীশিংগী মরমদা ইরিবা শিংলোন পুয়া, লম মমিং থোনখিবগী মতাংদা ইরিবা লম্মীৎলোন পুয়া অসিনচিংবা লাইরিকশিং অসি নৈনরিবা ওজাশিংগা অমসুং হকথেংননা লাইরিকশিং অসি পাদুনা নৈনজরুবা মতমদা মণিপুরদা লাংথৈ্র মখল তরেৎ (৭) হৌরম্বা থেংনজখি অমসুং মসিদগী ‘লাংথৈ্র’, ‘লাইথৈ্র’ হায়বা ৱাহৈশিং অসিগী খেন্নবা খঙলকখি।

ইপুথৌ পাখঙবনা লাইরেম্বী তরেৎ পান্নদুনা পোকখিবা য়েক তরেৎ হায়বদি মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাবা-ঙানবা অমসুং সরাংলৈশাংথেম হায়রিবা য়েকশিং অসিগী লাইথৌ-তিন্থৌদা খুদম ওইনা মখোয়দা লাক্কদৌরিবা ফত্তবা লাইগী ওইবা দষা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা পান্বী মখল অমমম শীজিন্নৈ, মদুবু লাইদগী থৈদোকপা ঙম্বা পান্বীনি হায়বগী ‘লাইথৈ্র’ হায়না খঙনৈ। ৱাঙম চাদোন - ৱাঙম শুরোলনা হায়বদি ঙসিগী মীরোলনা পান্বী মখল তরেৎ অসিবু লাংথৈ্র হায়না খঙনবসু য়াওরি। য়েক তরেৎনা লাইথৈ্র ওইনা শীজিন্নরিবা পান্বী মখল তরেৎ অসি য়েকশিং অসিগী তোঙান তোঙান্না লৈজরিবা অপোকপা খুরুম্বদা চঙবা পান্বীশিং অমসুং নাহৈ-নাশেংদা শীজিন্নরিবা পান্বীশিং অদু নত্তে। য়েক তরেৎনা লাইথৈ্র ওইনা শীজিন্নরিবা পান্বী মখল তরেৎ অসিগী মনুংদা মঙাং য়েক্লা লাইথৈ্র ওইনা শীজিন্নরিবা পান্বী অসিবুনি ঐখোয়না ‘লাংথৈ্র’ হায়না খঙনরিবা অসি।

মঙাং য়েক্লা লাইথৈ্র ওইনা শীজিন্নরিবা পান্বীবু লাংথৈ্র হায়না কৌখিবগী ৱারীদি য়াম্না শাংই অদুবু তেন্না পঞ্জরবদা লাইরৈবাক্কী জগোয় শাবী তরেৎনা সলাইরেল শিদবগী অমসুং লাইয়ামগী মমাঙদা জগোয় শাবা শোয়বদগী তাইবঙপান্দা তান্থরকখিবা, মখোয় তরেৎনা থৱায় চাক্লা কুম্লকখিবা মফম্বু ‘চাকপী’ কৌখিবা, চীংদুম মচা অমগী মথক্তা সলাইরেলবু কৌদুনা কপখিবা মদুদা সলাইরেলগী লৱাই শম খরা লংথরকখিবা মদুদগী পান্বী অমা ওইখিবা, সলাইরেলনা লংথরকখিবা শম্না খরদগী ওইখিবা শিঙেল পান্বীনি হায়বগী ‘লং থরকপা লৈ’ মদুদগী শমজিল্লগা ‘লাংথৈ্র’ কৌখিবা অমসুং চীংদুম মচা অদুবু লংথরকপা লৈনা থেন্দুনা শাৎখিবা মফমনি হায়বগী ‘লাংথেল’ কৌখিবা অসিনি।

অসুম্না য়েক তরেৎনা লাইথৈ ওইনা শীজিন্নরিবা পান্বী তরেৎকী মনুংদা মঙাং য়েক্লা শীজিন্নরিবা লাইথৈ্র পান্বী অসি খক্তনি লাংথৈ্র কৌবা। কনাগুম্বনা অতৈ পান্বী হায়বদি লেমহৌরিবা পান্বী তরুক অদুবুসু লাংথৈ্র হায়না কৌনবদু চুল্লোইদ্রা খঞ্জে।

মণিপুরদা হৌরিবা, য়েক তরেৎনা লাইথৈ্র ওইনা শীজিন্নরিবা পান্বীশিং অদুদি (১) মঙাং য়েক্কী - মঙাং লাইথৈ্র/অৱা লাইথৈ্র, সাইন্টিফিক নেম : *Eupatorium birmanicum* DC., Family : Asteraceae (২) লুৱাং য়েক্কী - লুৱাং লাইথৈ্র/মীতৈ লাইথৈ্র, সাইন্টিফিক নেম : *Eupatorium cannabinum* L., Family : Asteraceae (৩) খুমন য়েক্কী - খুমন লাইথৈ্র/ঈশিং লাইথৈ্র, সাইন্টিফিক নেম : *Dicliptera paniculata* (Forssk.) I. Darbyshl, Family : Acanthaceae (৪) মোইরাং য়েক্কী - মোইরাং লাইথৈ্র (মোইরাং খানম), সাইন্টিফিক নেম : *Rotheca serrata* (L.) Steane & Mabb., formerly *Clerodendrum serratum,* Family : Lamiaceae, ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।